## ৱার্ক ওর্দরগী মতাংদা...

*লামায় ১গী মখা...*থবকশিং মীয়ামগী কান্নবা ঙাক্তনি। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা টেন্দর প্রোসেসতা খরা থেংথবগী ৱানি। মরু ওইবা থবক অয়াম্বদি মপূং ফানা লোইশিনখ্রে। ঙসি ফাওবদা সেন্টরনা থাদরকপা ফন্দশিংগী মখাদা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া দিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎতুনা লাক্লি অমসুং মপূং ফানসু পায়খৎপা ঙমখি। ষ্টেটকী ফন্দিং মখাদা থবক থৌরম কয়াসু অদুমক লেপ্তুনা পায়খৎতুনা লাক্লি হায়রদুনা শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এনা এম আই দিপার্টমেন্টতা ৱার্ক ওর্দর পীবগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং লাইবক থীবনি হায়খি।

অসিগুম্বা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনরিঙৈদা চীফ ইঞ্জিনিয়রবু মীংচৎ থীহন্নবা হোৎনবা অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু হায়নসু পাউমীশিংগী খূখাংদা আপীল তৌখি।

পনবা য়াবদি, শুগুনু এ সীগী ওইনা মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টনা পায়খৎকদবা থবক অমগী ৱার্ক ওর্দর চাদা ১০ পীদ্রবদি পীথোক্তনা লৈরে হায়বগী ৱাফম এ সী অসিগী এম এল এনা ফোঙদোকখিবা লৈখিবনি।

## ক্রিমিনেল কেস ককথৎপীয়ু হায়বা এম এল এ মেঘচন্দ্রগী পিটিসন হায় কোর্টনা দিসমিস ...

*লামায় ১গী মখা...* ক্রিমিনেল কেস অসিগী প্রোসিদিং পূম্নমক ক্বাশ তৌবীয়ু হায়দুনা ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ (সী আর পি সী) গী সেক্সন ৪৮২গী মখাদা ক্রিমিনেল পিটিসন নম্বর ৩৬ ওফ ২০১৯ ফাইল তৌরকখিবনি।

মহাক্কী ক্রিমিনেল পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, নোনেগী এস পিশিং, থৌবাল দাম পি এসকী ওফিসর ইন-চার্জ, কপ্লেনেন্ট ওইখিবা নোনে পি এসকী হেদ কন্সটেবল কে গাইপুইলিন অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি অমদি কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (হোম) নি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা এম এল এ অসিদা পীখিবা এন্টিসিপেটরি বেল অদু মতম মতমগী মতুংইন্না থেঙ্খাং নাইনা শাংদোকহন্দুনা থম্লকখিবগা ইরোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগী ক্রিমিনেল কেস অসিবুসু ককথৎপীয়ু হায়জরকখিবা ক্রিমিনেল পিটিসন অদুগী ৱায়েল হায় কোর্টকী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা ৱায়েল চথুরকখিবনি।

এম এল এগী এন্টিসিপেটরি বেল অমসুং ক্রিমিনেল পিটিসনগী মেট্রর অনীমক পূন্না মসিগী অরোইবা হিয়ারিং সেপ্টেম্বর ২৯, ২০২১দা পাঙথোকখিবনি।

কোর্টনা মেট্ররশিং অসি লৌখৎতুনা খন্নরকপদা পিটিস্নরগী অনীমক্কী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল বি পি শাহুনা লেপখি। অদুগা মেট্রর অনীমক্কী রেসপোন্দেন্ট পূম্নমক্কী মায়কৈদনা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা লেপখি।

কোর্টনা মেট্রর অনীমক লৌখৎতুনা খন্নরকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল বি পি শাহুনা ক্রিমিনেল পিটিসন নম্বর ৩৬ ওফ ২০১৯গা মরী লৈননা কোর্টতা থমখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মহাক্কী পিটিস্নর অসি ৩২-ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইরিবনি অমসুং কোংগ্রেসকী এম এল এ ওইনা ওপোজিসন পার্টিগী এম এল এনি হায়খি।

সিনিয়র কাউন্সেলনা কোর্টতা মখা তানা সবমিট তৌখিবদা পাঙথোকখ্রিবা লোক সভাগী মণিপুরগী ওইবা ফেজ টুগী মীখল অদুগী নুমিৎতা পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৭/৪০দা বি জে পিগী ৱার্করশিং অমসুং পার্টি অসিবু শৌগৎপশিংনা নমদুনা ভোটর খরা পোল্লিং ষ্টেসন অসিদা ভোট থাদনবা চঙবদা অথিংবা পীরে। মসিগী মথক্তা মীখল অসিদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইখিবা কেন্দিদেটকী পোল্লিং এজেন্টবুসু ভোট থাদবা হৌরবা মতুংদা ফাওবা চঙবদা অথিংবা পীরে হায়বগী ৱাফম কোংগ্রেস মীরেপ ওইখিবা অমসুং পোল্লিং ষ্টেসন অদুদসু মশা লাকখিবা মতমদা ওইনাম নবকিশোরবু বি জে পিগী ৱার্করশিংনা ঘেরাও তৌদুনা থ্রেটন তৌরে। থৌদোক অদুগী মায়োক্তা কোংগ্রেস মীরেপনা প্রিসাইদিং ওফিসরদা পাঙথোক্লিবা ভোট থাদনবা অদু লেপহনবগা লোয়ননা রিপোল তৌবীনবা অহৈবা চেরোল অমা এম এল এ কে মেঘচন্দ্রনা পোল্লিং ষ্টেসন অদু থাদোক্তুনা লাক্লবা মতুংদসু তৌখি হায়না ফোঙদোকখি।

পিটিস্নর ওইরিবা এম এল এ অসিদি পোল্লিং ষ্টেসন অদুদগী লাপ্না কম্যুনিতি হোল অমগী মপান্দা লৈখিবনি। অদুগা পোল্লিং ষ্টেসন অদুদা মথৌ পাঙথোক্লিবা হেদ কন্সটেবল অদুবু লাক্লবা কৌখিবনি। পিটিস্নরনা হেদ কন্সটেবল অদু উবা মতমদা হেদ কন্সটেবল অদুনা মহাক্কী মথৌ পাঙথোক্তবা উবদগী মঙোন্দা করিগীদমক্তা মহাক্কী পাঙথোকফম থোকপা মথৌশিং পাঙথোক্ত্রিবনো অমসুং জিন্যুইন ওইবা ভোটরশিংবু পোল্লিং ষ্টেসন মনুংদা ভোট থাদবা চঙহন্দ্রিবা করিগীনো। লোয়ননা মীখল অদু ফ্রী এন্দ ফ্যের পোল ওইনবা হোৎনদ্রিবা করিগীনো হায়বগা লোয়ননা বুথ এরিয়াদা বি জে পিগী ফিরাল চিংখৎপদা অয়াবা পীরিবা করিগীনো হায়বগা লোয়ননা মদুগী মতাংদা মহাক্কী মায়োক্তা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা কমপ্লেন্ট তৌদুনা মহাকপু সর্ভিসতগী লৌথোক্লবা হোৎনগনি হায়খিবনি হায়বা ৱাফমশিং থমখি।

অদুম ওইনমক এম এল এ অসিগী মায়কৈদগী হেদ কন্সটেবল অদুনা পোল্লিং ষ্টেসন অদুদা মহাক্কী মথৌ পাঙথোকপদা অয়েৎপা পীগদবা মওংদা ফূখিবা নৎত্রগা ক্রিমিনেল ফোর্স অমত্তা শীজিন্নবা লৈখিদে হায়বা ৱাফম থমখি। মসিগী মথক্তা কেস অসিদা চার্জ তৌরক্লিবা সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ট্রাইব (প্রিভেন্সন ওফ এট্রোসিটিজ) এক্টকী সেক্সন ৩ অসিদি মাঙজৌননা রিপিল তৌখিবগা লোয়ননা জন্যুৱারী ১৮, ২০১৬তা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না জন্যুৱারী ২০, ২০১৬তগী চৎনহনখিদ্রবনি হায়বা ৱাফমসু থমখি।

লোয়ননা কেস অসিদা এম এল এগী মথক্তা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপল এক্টকী সেক্সন ১৩১সু চার্জ তৌরক্লিবা অসিদি হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়বা ৱাফমসু থমখি। অদুম ওইনমক রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনেল এ জি লেনিন হিজমগী সবমিসনদনা থৌদোক অদু সেদ্যুল ট্রাইব ফুরুপকী মীওই ওইরিবা পুলিস পর্সনেল অদুবু হস্থনা য়েংবা অমসুং মহাকপু হ্যুমিলিএসন তৌবগী তশেং-তশেংবা কেসনি হায়রদুনা পিটিস্নর ওইরিবা এম এল এগা লাকমিন্নখিবা কোংগ্রেসকী মীওইশিংনা পোল্লিং ষ্টেসন অদুগী মখা থংবা শরুক্তা লৈরিবা কম্যুনিতি হোল অদুদা লাক্তুনা লৈরখিবনি অদুগা কমপ্লেনেন্ট ওইরিবা হেদ কন্সটেবল অদুদি পোল্লিং ষ্টেসনগী চঙফমদা মথৌ তৌজখিবনি হায়বা অর্গ্যুমেন্টশিং থমখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎলক্লিবা ক্রিমিনেল কেস অসিবু চৎনহনবীগনু হায়রক্লিবা ৱাফম অসিদি মেরিট য়াওদবনি হায়রদুনা দিসমিস তৌরে হায়খি।

লোয়ননা সী আর পি সীগী সেক্সন ৪৮২গী মখাদা হায় কোর্টনা ক্রিমিনেল কেস অমগী ৱায়েল নৎত্রগা ইনভেষ্টিগেসন চথুরকপদা খূৎ থিংজিন্দুনা ইনভেষ্টিগেসন লেপহনবনচিংবগী থবক তৌফম থোক্তে। মরম অসিনা কেস অসিগী মথৌ তাবা ৱায়েল মরী লৈনবা কোর্টনা চথুজগদবনি হায়খি।

অদুম ওইনমক মীয়ামগী মীহুৎ এম এল এ অমসু ওইরিবা পিটিস্নর অসি কেস অসিদগী নাথৈদুনা চৎখিবা নৎত্রগা লোৎখিনবগী মরম লৈতবনা মঙোন্দা হায় কোর্টনা পীরক্লিবা এন্টিসিপেটরি বেল অসিবুদি অয়াবা পীরে হায়খি।

এন্টিসিপেটরি বেল অসিসু হান্না সেসন্স জজ ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা মিসেলিনস (এ বি) কেস নম্বর ৩৬ ওফ ২০১৯ ওইনা ফাইল তৌদুনা ইন্টরিম বেল পীবিনবা হায়রুবা লৈখি। মদুদা কোর্ট অসিনা এপ্রিল ২৫, ২০১৯দা পীরকখিবা ওর্দর অমনা ইন্টরিম বেলগী পিটিসন অদু দিসমিস তৌরকখিবনি হায়বা ৱাফমসু হায় কোর্টনা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক হায় কোর্টনা এম এল এ অসিদা পীদুনা লাকখিবা এন্টিসিপেটরি বেল অদুবুদি অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা মহাকপু ফাবা-পূনবা তৌরবদি লুপা লিশীং ৫০গী পর্সনেল বোন্দ অমা অমসুং মসিগা মান্নবা সিওরিটি অনীগদা সেসন্স জজ ইম্ফাল ইষ্টতা এগজিক্যুট তৌগদবনি হায়খি।

লোয়ননা এম এল এ অসি হায় কোর্টনা মহাক্কী কেস অনীমক্কী পূন্না জজমেন্ট অমসুং ওর্দর পীখিবা ওক্টোবর ২৮, ২০২১দগী পারগা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা সরেন্দর তৌগদবনি নৎত্রবদি মঙোন্দা পীরিবা এন্টিসিপেটরি বেল অসি কেন্সেল তৌগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা এম এল এ অসিনা ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরনা মথৌ তারকপদা কোওপরেসন পীবগা লোয়ননা ট্রাইএল কোর্টতসু কোওপরেসন পীগদবনি। করিগুম্বা থৌওং অমত্তদা কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেসশিং টেম্পর তৌরোইদবনি হায়বগী দিরেক্সনসু পীখি।

## মফম কয়াদা 'নিংঙোল চাক্কৌবা' গী থৌরমশিং ...

*লামায় ১গী মখা...* মপু ওইখি। থৌরম অসিদা অমুকোগী এদভাইজর ইতো তোংব্রম, কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটস (কোহর) গী চেয়রমেন ফুলিন্দ্রো কোন্সম, কে ৱাই পি সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট অর্বিন খা ঙানবা অমসুং ওল ক্যামগৈ নুপী চাওখৎ থৌরাং লূপকী সেক্রেটরি এ কে ইবেয়াইমনচিংবনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

থৌরমগা মরী লৈননা অমেস্কোগী প্রসিদেন্ট বি কে মোইরাংচানা হায়, অমেস্কোনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকচখিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্লিবা অসিনা ২৮ লক শুবনি। থৌরম অসি কুমজা ১৯৯৩দগী হৌরকপনি অদুবু কোভিদনা মরম ওইরদুনা মমাঙগী কুমজা ২০২০দদি পাঙথোকখিদে। করিগুম্বা কোভিদ চৈথেং মায়োক্নরমদ্রবদি ঙসিগী অসিনা ২৯ লক শুবা থৌরম ওইরগদবনি হায়খি।

হৌজিক ফাওবদা পাঙথোরক্লিবা চিংমী-তম্মী ফুরুপশিং শুনা চাক্কৌবগী থৌরম অসি কুমজা ১৯৯৩দগী পাঙথোরকপদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোকখ্রে। হৌখিবা চহীশিংদদি মফম ৪/৫দা পাঙথোকখিবনা থৌরম পাঙথোকখিবা মফমশিংগী ওইনদি ১২৬ শুরে হায়খি।

থৌরম অসিনা চীং-তমগী নিংঙোলশিংনা হেন্না নুংশি চান্নবা, ঈ মরীনি, ইচিন ইনাওনি, ঐখোয় অমত্তনি হায়বগী ৱাখলদা ঙসি ফাওবদা পাঙথোক্তুনা লাকপনি। লোয়ননা ফুরুপ-কাঙলূপকী অমত্তা ওইবা অমসুং মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা পাঙথোকচবনি হায়খি। অমেস্কোগী সেক্রেটরি লকি কোন্সমনা থৌরমগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়, য়েলহৌঙৈদগী পুৱারীগী ঈচেল চেন্থমিন্নরক্লবা ঈগী মরী, ইচিন ইনাওশিংদি তাঙ্কক খরদি খুদোংথীবগী ঈরৈদা চেন্থরুরে, কায়নরুরে অমসুং ৱারৌনরুরে। অদুবু ঈগী মরী নুংশি চান্ননা মচিন-মনাও, মচে-মচলগী নুংশি মরী অদু অমুক হন্না চেৎশিনহন্নবগীদমক ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

অমরোমদা, ইন্দিজিনস মাইনোরিটি সোসিও-কলচরেল ওর্গনাইজেসন, মণিপুর (আই এম এস সী ও এম), ইন্দিজিনস মাইনোরিটি ওর্গনাইজেসন, মণিপুর (ইমোম), য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ), মণিপুর, হাওমি রিসর্স গিল্ড মণিপুর (ঐচ আর জি এম), নেসনল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কাউন্সিল (নিপকো) অমসুং মণিপুর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটি (মপি) কাউন্সিলনসু পূন্না শীনমিন্নদুনা ধনমঞ্জুরি কোলেজ কেম্পসতা লৈবা খুন্থোকহনবীগী থৌগল মরূপকী শঙলেনদা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম ঙরাং পাঙথোকখি।

থৌরম অসিদা আই এম এস সী ও এমগী প্রসিদেন্ট মোন্সা কোম বাপুই, ইমোমগী প্রসিদেন্ট মেদুন মরিং, য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট এন রুপচন্দ্র, হাওমি রিসর্স গিল্ড মণিপুরগী চেয়রমেন রোবিন সিংলাই, নিপকোগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মনিহার অমসুং মপি কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট ইন চার্জ কে সী রোমিওনা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। তাঙ্খুল, অনাল, মরিং, কুকি, মার, কবুই, মৈতৈ-পাঙলনচিংবা ফুরুপশিংগী নিংঙোলশিংগা নিংঙোল চাক্কৌবগী চাকলেন চামিন্নখিবগা লোয়ননা খুদোল তমদুনা য়াইফ থৌনিশিংগী মনুংদা ঈং-তপ্পা, নুংশি চান্নবা, চিংমী তম্মীগী মরী অমত্তা ওইনা চেৎশিন্নবা পাউজেল পীনখি। লোয়ননা ওল্ড এজ হোম (লাঙ্গোল) দসু ঙরাংগী নুমিৎ অসিগী থৌরম পাঙথোকখি। চাক্কৌবগা মরী লৈননা পাউজেল পীরদুনা হোম অসিগী চেয়রমেন ওইনাম মঙ্গি মৈতৈনা হায়, হোম অসি লৈঙাক্কী মতেং অমত্তা ফংদনা ৱানা চলাইজরকপনি। অদুবু কনা অমত্তনা চাক্কৌবীদনা লৈবদগী নিংঙোলশিংবু হোম অসিদা চাক্কৌজবনি। মসিগীদমক মীওই খরনা মতেং পাংবীরকখি হায়রি। ঙসি ফাওবদা হোম অসি শেল পায়বশিংগী মরক্তগী মতেং খরা খরা পাংবিরক্তুনা চলাইজবনি। হৌজিক নিংথম থা চঙলকপদা অহলশিংগী কম্বল, মৈতান, ফুরিৎ অথাবা, মোজা অমসুং তুপীনচিংবগী মথৌ তারক্লবনি। মসিদা অঙন্বা মতেং পাংবীবা ঙন্বশিংনা পাংবিরক্লবদি য়াম্না নুংঙাইজগনি। হোম অসিদা লৈবা অহল অমদি চাক্কৌবা হয়েংনি হায়দুনা ঙাইদুনা লৈজরক্লগা ঙরাং নুমিদাং লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোরকখি। অদুবু হোমদা লৈজরক্লগাসু মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা থিনবা চৎলুবদা লৌহৌ হায়বা মচাশিংনা য়ারক্তবদগী ম্যুনিসিপালিটিদা মথৌ মঙম পাঙথোকহনখ্রে হায়বগা লোয়ননা হোম অসিগী অহলশিং অসি হৌজিক অৱাৎ অপাশিংনা থল্লি হায়খি।

ঙরাংগী থৌরম অসি ককচীং খুন্নাই চাওখৎহনবা লূপনা নহারোল খোঙথাং (ককচীং) অমদি ওল ককচীং টুডেন্টস য়ুনিয়নগা খূৎশম্নদুনা অপূনবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অমা ককচীং শঙ্গাইয়ুম্ফমদা লৈবা সেন্ট্রেল পব্লিক হোলদা পাঙথোকখি।

ঙরাংগী থৌরমসিগা থারগা ৩লক শুবা ওইনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ককচীংগী মনুংদা লৈবা চাক্কৌবীনবা লৈত্রবা নিংঙোলশিং অমসুং ককচীংগী অকোয়বদা লৈবা মুসলিম অমদি চীংমী নিংঙোল ১৫০ রোম চাক্কৌখি। নুমিৎ অসিগী চাকলেন চামিন্নরবা মতুংদা অশিন অরাং তৌখিবশিংগী মায়কৈদগী অচম্বা খুদোল পোৎশিংসু পীদুনা নিংঙোলশিংবু ইকায়খুম্নখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ককচীং এ সীগী জনতা দল (য়ুনাইটেদ) গী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইগনি থৌরাংলিবা নাওরেম নবচন্দ্রনা হায়, চীংমী অমদি মুসলিম নিংঙোল কয়া শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম শাগৎপদা অচৌবা কান্নবা পীরগনি। কুম্মৈ অসিনা পীরিবা নুংগী অশেংবা পাউজেল অদু খঙনা চৎতুনা খুদোল পোৎতা লমজেল তান্নবগী চৎনবী ঐখোয় খুদিংমক্না থাদোক্লসি হায়খি।

থৌরম অদুদা এন নবচন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা নাওরেম ভুবেন ব্রিক ফিল্ডগী প্রোপ্রাইটর নাওরেম নোপুর অমসুং জে এন জি ভিওগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রি বিরেননা মথংশিংনা থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি। ঙরাংগী থৌরম অসিমক ককচীংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ট্রান্সমেন (নুপা মানবী) শিংনা শিন্দুনা ককচীং লৈঙাংদা পাঙথোকখি। নুপা মানবীশিংনা হন্দক চহীগী অহুম্লকশুবা ওইনা পাঙথোক্লিবা চাক্কৌবগী থৌরম অসিদা নুপী মানবী ২০ হেনবনা শরুক য়াখি। মপূং ওইবা থৌরমদা নুপী মানবা কয়ানা নাৎকী ওইবা ফিজেৎ লৈতেং শেৎতুনা লাক্লবা মতুং ট্রান্সমেনশিংগা হরাও তয়াম্না চাক চামিন্নখি। নুপা মানবীশিংগী মায়কৈদগীসু নুপী মানবীশিংদা অঙন্বা খুদোল পীদুনা থৌনিখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা নুপা মানবী অদি মৈতৈনা হায়, মখোয়না শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি মরিং মরাংহনবা নত্তে। কন্সটিট্যুসননা ফাওবা অয়াবা পীরিবা নুপী মানবশিংগী পুন্সিবু ইকায়খুম্নবা অমদি পূন্না হিংমিন্নবা হায়বগী ৱাখল্লোনদা থৌরম অসি শিনবনি। লাক্কদবা চহীশিংদসু নুপী মানবশিংবু চাক্কৌবগী থৌরম অসি মখা তানা পাঙথোকখিগনি হায়খি।

## কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা ...

*লামায় ১গী মখা...* রিপোর্ট মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং কক্চীংদগী মীওই ১/১ কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওই অহুমসিগী মনুংদা অমনা কোভিদ ভেক্সিন সেকেন্দ দোজ কাপথোক্লবা মীওইনি অদুগা অতোপ্পা মীওই অনীনা হীদাক কাপথোক্ত্রিবা মীওইশিং ঙাক্তনি। অদুবু মখোয় অহুমগী মনুংদা মীওই অনীদি কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি হায়রি। ঙসি লৈখিদবা মীওই অহুমসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা পূন্না লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৯৩৪ শুরে হায়রি। অদুগা ঙসিগী ওইনা দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংনা হোম আইসোলেসনদগী ৬, রিমস ৪, জেনিমস ১ অমসুং সী সী সীশিংদগীনা মীওই ৩১নি হায়রি। ঙসি থেংনখিবা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৩৯ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,২৪,০৮৬ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,১৯,৭৪৫ অমসুং সী এ পি এফ - ৪,৩৪১) শুরে। অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,২১,৪৫৭ (জেনরেল পোপ্যুলেসন- ১,১৭,১৩৫ অমসুং সী এ পি এফ - ৪,৩২২) শুরে হায়রি।

ঙসি ফাওবদা লৈখিবা এক্টিভ কেসশিংগী মশীংনা ৬৯৫নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৬৮১ অমসুং সী এ পি এফ - ১৪ য়াওরি। লোয়ননা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৭.৮৮নি হায়রি। অদুগা ঙরাং ফাওবদা তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ - ৪৮১ অমসুং বি টাইপ - ৪৩নি হায়রি। লোয়ননা ঙরাং নবেম্বর ৬, ২০২১ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোক্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ ৬৫.৭৫, অনীশুবা দোজ ৩৫.৪১, চান্দেল অহানবা দোজ ৬৪.১০, অনীশুবা দোজ ৩৮.১৪, চুড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৫৪.৭০, অনীশুবা দোজ ৩৩.৮৮, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ ৬৬.৭৩, অনীশুবা দোজ ৪১.৩৬, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৬৯.৮৬, অনীশুবা দোজ ৪৬.৩৮, সেনাপতি অহানবা দোজ ২৯.০৬, অনীশুবা দোজ ১৯.৬৬, তমেংলোং অহানবা দোজ ৩৫.৫২, অনীশুবা দোজ ১৯.৮৫, থৌবাল অহানবা দোজ ৫৫.৮০, অনীশুবা দোজ ২৫.৭৩, উখ্রুল অহানবা দোজ ২০.০৫, অনীশুবা দোজ ১৩.৮৬, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৩.১১, অনীশুবা দোজ ২০.৯৫, কাংপোকপী অহানবা দোজ ১৭.৩২, অনীশুবা দোজ ৮.৮৭, কামজোং অহানবা দোজ ২৮.৫৪, অনীশুবা দোজ ১৫.৩০, জিরিবাম অহানবা দোজ ৬৯.৬১, অনীশুবা দোজ ৪৭.০০, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩১.২৭, অনীশুবা দোজ ২৫.৫৩, নোনে অহানবা দোজ ৩৫.৫৫, অনীশুবা দোজ ২৫.৫৩, কক্চীং অহানবা দোজ ৭০.৭৬, অনীশুবা দোজ ৪২.৩০নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৫৩.৫২নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবশিংগী চাংনা চাদা ৩২.১১নি হায়রি।


**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 74.198676 |
| US Dollar | 74.198676 |
| British Pound | 100.165108 |
| Australian Dollar | 54.887628 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.595537 |
| Japanese Yen | 0.654306 |
| Malaysian Ringgit | 17.835551 |
| Singapore Dollar | 54.939378 |
| South Korean Won | 0.062786 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.786314 |
| Thai Baht | 2.227856 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 46723.00 |
| Mumbai | – | Rs | 47640.00 |
| Delhi | – | Rs | 47402.00 |
| Kolkata | – | Rs | 47595.00 |

**GAS NEWS**

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPTO6/10/21**
VALID FROM30/9/21
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738, 8794622868
OFFICE TIMING 7.30AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.
**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk up-to-date**
Home delivery contact no : 9366471778, 8974087390, 8787632782
**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 20/10/2021
**BOOKING UPTO: 23/10/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-30-09-2021,**
VALID FROM 24-09-2021,
**STOCK : 612**
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM TO 10 AM
**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
**BOOKING : BK. UPTO DATE**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900(ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS


## চাওখৎপা ৱাঙ্গোই অমদি মণিপুর ওইহন্নবা হোৎনগনি ...

*লামায় ১গী মখা...*এশিংনা য়াদ্রবদি খুদক্তা এম এল এ ফম ফাওবা থাদোক্কে হায়না মীৎতগী পী তাদুনা হায়জবা পাম্মী। লৈঙাক অমা লাক্লগা ফগদ্রা খল্লুই অদুমক চপ মান্নে। পুন্না অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নবা হায়বদু ওইদ্রে। করি-করিগুম্বা মতমদা ইমা লৈবাক মণিপুরসে মাঙখিগদ্রা হায়বগী অকিবা ফাওরকই।

**ৱাহং :** হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? এম এল এ খরা হন্দক দিসক্বালিফিকেসন তৌখিবা অদুগী মতাংদদি করি হায়বিনিংই।

পাউ : খুদম ওইনা হায়রবদা ইচা অহুম পোকপদা অফবসু য়াওই ফৎতবসু য়াওদবা নত্তে। মরম অদুনা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি লোয়না ফৈ হায়বদি লানগনি। মীয়ামগী ৱাখল্লোল য়েংবদসু হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি ইপেন-পেন্দবগুম তৌই। চিনগা খুৎকা মান্নদবা লৈঙাক অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ৱাঙ্গোই এ সী অসিদা পাঙথোকখিবা বাই ইলেক্সনদা চীফ মিনিষ্টর মশামক লাক্তুনা এ সী অসিগীদমক থবক কয়া তৌগনি হায়খি। অদুবু ঙসি ফাওবদি থবক্তা ওন্থোকপীরকপা অমত্তা উদ্রি। করিগুম্বা ৱাঙ্গোই এ সীদা বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লমদ্রবদি মণিপুরদা হারগী অৱাবা থোক্লম্লোই হায়জনিংই। লোয়ননা করপসন তৌবা মরম্না মমাংদা লৌখিবা থবকশিংগী ফল লাউথোকপা ঙমদনা লৈরে। মমাংদা থবক কৌদনা লৈরম্লগা ভোট ময়াদা দিপার্টমেন্ট কয়াগী থবক কৌরক্লিবা অসিনা করি-করম্বা মখলগী মীয়ামদা লাং থাক্লিবনো? হৌজিক ভোট ময়াদা কৌরিবা থবকশিং অসিনা অমুক করম্বা মতমদা হায়দোক্কদৌরিবনো হায়বসি মীয়ামগী থম্মোয়দা হংবা ৱাহংনি। এম এল এ খরা হন্দক দিসক্বালিফিকেসন তৌখিবা অসিগী মতাংদা হায়য়ু হায়রগদি পেন্থোকপা হৈবা অমা য়াম্না মথৌ তাই। পেন্থোকপা হৈতবদগী অৱাবা তাবনি হায়জনিংই।

**ৱাহং :** লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? করি-করম্বা ইস্যুদা য়ুম্ফমদা মীখল লাম্থেংনগে খনবিরি।

পাউ : নোর্থ ইষ্টকী পিপলশিংগী ভোইস পুখৎপা ঙম্বা, নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামশিংগী তংদু লৈতানা হিংবা ঙম্নবা অমদি তুংগী পোরম য়াৎচদুনা অচেৎপা ফীরেপশিং লেপচবা ঙম্নবা হোৎনবা পার্টি অমা হৌজিক য়াম্না মথৌ তারে। পার্টি অদু নেসনল পিপল্স পার্টি (এন পি পি) পার্টি হায়বসিনি। ঐহাক্লা থমজরিবা ৱাফম অসিগী ৱাহন্থোক কয়া লৈখ্রে। পার্টি অসিনা নোর্থ ইষ্ট পিপলশিংগী শোয়দনা য়াইফনবা থবক-থৌরমশিং মায়পাক্লা পাঙথোক্লক্কনি। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা অদুমক এন পি পিগী মীরেপ অমা ওইদুনা ভোট লেপকনি। ইলেক্সন মমাংদনা অমা হায়রম্বা অদুগা ইলেক্সন কাখ্রগা থোকপা অমা তৌরকপা অসি উবদা য়াম্না নুংঙাইতে। ইহান হানবদা ঐ ফবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই। মরম অদুনা লৈবাক অমা ফহনবা হায়বসি অফবা লুচিংবা য়াম্না মথৌ তাই। করপসন মুথৎপা হায়নরিবা ৱাফম অসি চহী কয়াদগী ঙাঙনদুনা লাকপা মরম্না হৌজিক্তি তানিংদবা অমা ফাওরক্কে। মরম অদুনা ঐখোয় মশেন হান্না লিংজেন মান্ননা থবক তৌমিন্নদুনা চাওখৎমিন্নবগী ৱাখল্লোলদা য়ুম্ফম ওইরগা লাক্কদৌরিবা মীখল অসি থেংনগে হায়না খল্লি।

**ৱাহং :** কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ : করিগুম্বা মীয়াম্না মীহুৎ অমা ওইনা থাগৎপীরবদি অহানবদা এ সী অসিগী মীয়ামগী থা অমগী ফংফম থোকপা চেং ফংদ্রিবা অসি ফংহন্নবা থবক পায়খৎতুনা ঐগী-মীগী নাইদনা লম্পাক্তা পুথোক্তুনা চেং য়েনগনি। ঐগী পুন্সিদা ঙসি ফাওবদা কনা অমত্তদা লানখিবা লৈত্রি, পুকচেল শেংনা থবক তৌগনি। ভোট পীদে হায়না চেং পিদ্রিবা লুচিংবা অদুবু করম্বা লুচিংবা অমনি হায়গদৌরিবনো? ৱাঙ্গোই এ সীগা লোয়ননা লৈবাক চাওখৎহনগনি হায়না বাই ইলেক্সন কারবা মতুংদা পীখিবা মন্ত্রিগী ফম অদু লৈবাক চাওখৎনবা ওইরমদ্রে, পার্টি কন্নবা অমদি গভর্ণমেন্ট কন্নবা পীখিবা মন্ত্রি ফম ওইরম্লে। ৱাঙ্গোই এ সীদা ঙা মচা ময়াম অমা পীথখ্রে হায়নৈ অদুবু মফম অসিদদি অমত্তা য়ৌরক্তে, ম্যেনমারদা ওইনা পীখ্রবা জাৎলা হায়নসু খল্লি। ময়াই লম্বীগী ফীভম করি ওইরি, গাড়ি অনী থৈনবা ঙমদ্রে। অদুবু লম্বী অসি শেমজিনবিনবা কনা অমত্তনা হোৎনবিদ্রি। লোয়ননা ময়াই লম্বীদা লৈরিবা মার্কেটশিং অসি অহোংবা অমা পুরকপা ঙমদ্রি। মরম অদুনা ঐগী ওইনদি মীয়াম্নবু এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইহল্লবদি কৎথোকপগা লোয়ননা এ সী অসিদা লৈরিবা লম্বী-থোংগী ওইরো, ঈশিংগী, মার্কেট শেমগৎনবা, শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবগী ওইরো থবক পূম্নমক থম্মোয় শেংনা তৌগনি। এ সী অসিদা লৈরিবা চাদা ৮০দি শুরগা-নোম্লগা চাবা লৌমী ঙাক্তনি। ইথৈ-লৌখোং ফজনা শেম্বিদবনা লৌমীশিংনা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদ্রে। লায়রবনা মরম ওইদুনা অৱাবা অদুদা খরা মতেং ওইগদ্রা খনবনা ভোট ময়াদা শেল য়াম্না পীবা ঙন্বা মীওইদা ভোট থাদরে। মদুনা অদুমক চাওখৎপগী লম্বী থেংথহনবা হায়বদু ওইরে। এ সী অসিগী মনুংচন্না লৈরিবা মুস্লিম ইচিন-ইনাওশিংনা মরুওইনা নুপীশিং ৱানা হিংলিবা অসি কোক্লনবা থবক পায়খৎকনি। লোয়ননা নহাশিংবু থবক পীদুনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তগী লাপথোক্লবা হোৎনগনি।

**ৱাহং :** নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিনা য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম করিনা ওইরম্বা য়াই?

পাউ : শাংলবা চহী অসিদা ঙসি ফাওবা ইরমদম অসিনা চাওখৎতনা লৈরম্লিবা অসিগী য়াম্না চাওবা মরম অমা হায়য়ু হায়রগদি ঐখোয় মণিপুরিশিংসে ঐখোয় মশেল অমনা-অমবু য়োকখৎনবগী মহুৎতা ঐখোয় মশেন হাৎতোক্লবা অসিননি। লোয়ননা গভর্ণমেন্ট পার্টি অমনা পায়রবসু নৎত্রগা অতোপ্পা পার্টি অমনা পায়রবসু সেন্টরদগী ষ্টেট অমদা থাদফম থোকপা দিভেলপমেন্টকী শেন্থংশিং থাদরকপা ঙাক্তনি। অদুবু মীঙোন্দা পীজনিংদবগী ৱাখল্লোল অমা য়াম্না চাওনা চেল্লিবা অসিনা মরম ওইদুনা ইমা লৈবাক মণিপুরসে ঙসিসু য়াম্না শোৎথনা লৈরম্বনি হায়জনিংই। মী পীজনিংদবা, মী চাওখৎহন্নিংদবা মশাতগী খনবা লুচিংবশিংনা অয়াম্বা ওইরম্বা মরম্না চাওখৎতবনি। মসিদা লোয়না য়াওখ্রে, মখাদি হায়জনিংদ্রে।

**ৱাহং :** অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনখিব্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : ঐহাক নেসনলগী থাক্তা বোলিবোল শান্নরকই। মহৈরোয় লুপ কয়াদসু য়াওদুনা লাকখি। ঐ ইশামক মী অমা ওইদবা য়াদে হায়বগা লোয়ননা মীয়ামগী থৌগল তৌগে হায়নসু খন্না য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়রবা মরম্না মহৈগী থাক্তি গ্রেজ্যুএসন ফাওবদি তম্বা ঙমহৌখি। ঐগী ইমুং-মনুংদা পোলিটিক্সতা য়াওরকপা অমত্তা ওইখিদে। ঐগী অপোকপগী মীংনা খুরাইজম য়াইমা কৌই। অদুগা অপোকপীগী মীংনা লৈখিদ্রবি খুরাইজম ওংবি নুপীমচা কৌই। অপোকপী ইমা চহী ২২মুক্কী মমাংদা লৈখিদ্রে। ঐগী ইচিন-ইনাও ৮নি।

**ৱাহং :** পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়নৈ অমদি পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ : ঐনা ঙম্লোইদবা থবক্তি ঙসি ফাওবদা তৌগনি হায়খিবসু লৈতে। অদুগা তৌগনি হায়খিবা থবকশিংসু খক তৌদনা তুমিন্না লৈথোক্তে। ঐনা খ্বাইদগী কিজবদি ঐগী এ সীগী মীয়াম্না অমদি মীনা ঐহাকসে মচিন থি হায়খিনি হায়বসিনি। মরম অদুনা ঐনা এ সী অসিগীদমক অমদি লৈবাক অসিগী তৌজনিংলিবা থবকশিং থম্মোয় শেংনা থবক তৌগনি। অওনবা ৱাঙ্গোই এ সী অমা পুরক্লবা হোৎনগনি। ঐ ইশামক দিভেলপমেন্টকী থবক-থৌরমদা ঙাওজবা অমদি শেমগৎ-শাগৎপা য়াম্না পামজবা মীশক অমনি। চুম্মী, লৈবাক মীয়াম্না লমদম অসিগী পোলিটিসিয়নশিং ফনা ঙাঙনদ্রিবা অসিগী মরম কয়া অমা লৈখ্রে। অদুবু ঐগী ওইনদি ইশাগী হায়বা থিদনা মীয়ামগী থবক্লা মাং থারগা তৌগনি। ঐনা হায়জরিবা ৱাফমশিং মীয়াম্না পংহায়দা হায়বনি হায়না লৌখিবসু য়াই। মরম অদুনা মমাংদসু থবক তৌরগা কয়া অমা উৎখ্রে, মখা তারকপদসু ঐহাক থবক তৌরগা উৎকনি হায়বা ৱাফম থমজগে।

**ৱাহং :** এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অপূনবা ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? নন মণিপুরী ভোটরদি লৈব্রা?

পাউ: এ সী অসিগী টোটেল ভোটর লিশিং ৩০ হেন্না লৈ, পোল্লিং ষ্টেসননা ৪০ নি। নন মণিপুরী ভোটরদি লৈতে।

**ৱাহং :** পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়নশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাঙ ঙাঙনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাঙনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ : য়াম্না চুম্বা ৱাফমনি, মসিগী মরম কয়া অমসু লৈখ্রে। অদুবু ঙসিসু অফবা লুচিংবা কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। অদুবু চেং চগ্রিং অমনা চেংকোক অমা মাঙহল্লি হায়বদুনি। ঙসি ঐনা পোলিটিক্সতা চঙলক্লিবা অসি মমাংদসু হায়জখ্রে মদুদি অওনবা খুন্নাই অমা পুন্না চৎমিন্নদুনা চাওখৎপা লমদম অমা পুরকপা ঙম্নবগী ৱাখল্লোলদা পোলিটিক্স অসিদা চঙলকপনি। মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুং ফংদ্রিবা, লম্বী-থোং, ইথৈ-লৌখোং মতিক চানা লৈত্রিবা অসি শেমগৎ শাগৎতুনা অহোংবা লমদম অমা পুরক্লবা হোৎনবা পাম্মী। থবকশিং অসি মীহুৎ অমা ওইদ্রগদি তৌবা ৱাবদি লায়রদনা মীয়ামগী থবক সিমা তৌনবা হোৎনসি হায়বা ফাওবদা তাবিদে। খুদম ওইনা হায়রবদা মায়কৈ অসোমগী য়াম্না মরুওইরিবা লম্বী ময়াই লম্বী অসি মীয়াম্নসু হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি অদুক্কী মতিক ফৎত্রে। লম্বী য়াম্না পীকপা মরম্না গাড়ি অনী থৈনবদা অৱাবা ওইরে। লোয়ননা লম্বী অসুক্কী মতিক ফৎতবা মরম্না এক্সিদেন্ট তোয়না থোক্তুনা মীওই কয়া লৈখিদবা য়াওরে। মীওই কয়া অমা শোইনাইদুনা লৈরি। অসিগুম্বা য়াম্না মরুওইরিবা লম্বী অসি শেমসি হায়না হোৎনরকপা মতমদা মীহুৎ অমা ওইদবা মরম্না অচৌ-অশাংশিংনা তাবিদে। মরম অদুনা লমদম অসিগী ওইনা তৌজনিংলিবা থবকশিং অসি মীহুৎ অমা ওইদুনা তৌবা য়াম্না মথৌ তারকপা মরম্না হিংলিঙৈ পুন্সি মতেক অসিদা করিগুম্বা লৈবাক্কী ওইবা থবক খরা তৌজরমগে হায়বগী ৱাখল্লোলদা পোলিটিক্সকী লম অসিদা চঙশিল্লকপনি।

**ৱাহং :** করপসন চাওনা লৈরে পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : ঐবু হায়জৌ হায়রগদি লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংনা হেক পুকচেল শেংনা থবক তৌদ্রিবমখৈ করপসন হন্থহনবা ঙম্লোই। লুচিংবশিংনা পুকচেল শেংনা থবক হেক তৌবা হৌরকপা মতমদা করপসন হন্থরক্কনি। ঙসি লমদম অসিদা থবক লৌবদা মতম চানা হায়দোকপা ঙমদ্রিবা অসি করিগীনো? ৱাফম অসিদা মীয়াম্না হেন্না অদুমক খঙবিরম্লগনি। মরম অদুনা মীয়াম্নসু ভোট থাদবা মতমদা করপসন তৌরক্লোইদবা মতিক চাবা অফবা ৱাখল চেনবা মীওইশিং মীহুৎ ওইনা খনবা মথৌ তাই। লোয়ননা মীয়াম্নসু ভোটকী মতমদা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী অৱাবা মেনখৎনবনি হায়দুনা ভোটতা শেল য়েল্লকপা লৌহন্নিংদে। মদুনা চহী কয়া ঐখোয় ইশামক অমদি হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা মাঙজহৌগদৌরিবশিং অদু উবিগদবনি। ভোটতা শেল চঙহন্দ্রবদি লমদম অসিদগী করপসন তপ্পা-তপ্পা হন্থরক্কনি। মীয়াম্নসু ৱাখল তাবা অমা চঙই হায়জনিংই।

**ৱাহং :** লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মায়োক্তা নুপীগী লুপশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লুপশিং অমদি লৈঙাক্লা থবক তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা-য়োনবা হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম য়াম্না লায়না থোঙ্গাল-থোঙ্গালদা ফংনরকপগুম তৌরে। মসিগী মরম করিনা ওইরম্বা য়াবগে?

পাউ : মসিগী মরম কয়া অমা লৈখ্রে। অদুবু দ্রগ ললোনবা মী অমা হেক ফারকপদা লমদম অসিগী মীয়ামগী মীহুৎনি হায়দুনা লৈরিবা মীওইশিংনা দ্রগ ললোনবা মীওই অদুবু ঐগী মীওইনি, ভোট মাঙগনি খন্দুনা ফারিবা মীওইশিংদা থাদোকখ্রো হেক হায়রিবমখৈ লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং মাঙহনবা ঙম্লোই অমদি হন্থহনবসু ৱাগনি। মরম অদুনা লুচিংবশিংনা, ওফিসিএলশিংনা অমদি লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংনা পুকচেল শেংনা লৈবাক্কী খল্লগা থবক তৌমিন্নরক্লবা মতমদতা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক থিংবা ঙমগনি। অমরোমদা লৈবাক মীয়াম্নসু থিংবা য়াবা পোৎনা করিনো অমদি থিংবা ঙম্লোইদবা পোৎশকশিংনা করিনো হায়বদুসু মুন্না খন্থমিন্নরগা থবক তৌবা চঙই হায়জনিংই।

**ৱাহং :** থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : থবক ফংদবা নহাশিংগী মশিংনা য়ামখৎলকপা মরম্না শেংনা হায়রবদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নরকপগী চাং ৱাংখৎলকপনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হোয়, লমদম অসিগী নহা খুদিং লোয়না গভর্ণমেন্টকী জোব পীবসু ওইথোক্লোই। অদুবু লমদম অসিদা নহাশিংদা থবক পীবা য়াবা মচাক কয়া অমদি লৈরি। মসি পূম্নমক অসি মতম-মতমগী পাল্লিবা লৈঙাকশিং অদুনা থৌরাং-থৌশিল কয়া য়াৎতুনা হোৎনবিগদবনি। শম্না হায়রবদা ফেক্টরি, ইন্দষ্ট্রি, মল্টি নেসনল কম্পনিশিং অমদি টুরিজম সেক্টর কয়া পুশিল্লকপা অমদি শেমগৎ শাগৎপা অমা চঙলি। লোয়ননা লমদম অসিদা লৈজরিবা নেচরেল রিসোর্সশিং অসি য়াম্না ফজবা মওংদা শীজিন্নদুনা মপান লমদা থাদোক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই। মতম অদুদা লমদম অসিগী নহাশিংদা থবক পীবা ঙম্বা হায়বদু ওইগনি। ঙসিগী নহাশিং য়াম্না টেলেন্ট লৈবা মরোমদোম হিংবা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরক্লি। মখোয়বু লৈঙাক্লা পীবা য়াবা মতেংশিং য়াম্না অরায়বা মওংদা ফংহল্লবদি অনইমপ্লোইমেন্টগী প্রোব্লেম শোয়দনা কোকপা ঙমগনি খল্লি।

**ৱাহং :** মণিপুরগী পোলিটিক্সকী ওইরিবা ফীভম অসিদা করম্বা ৱাখল্লোল চেনবা মীওইশিং চঙলগদি হেন্না চাওখৎপা নুংঙাই-য়াইফবা লমদম অমা ওইরক্কনি খনবিবগে?

পাউ: মমা লৈবাকপু নুংশিবা, হৌরক্লিবা তুংগী মীরোলশিং খনবা ঙম্বা, পোলিটিক্সপু শেন্দান লম্বী ওইনা খন্দবা অমদি ভিজন লৈনা দিভেলপমেন্টকী থবকশিং পুকচেল শেংনা তৌবা ঙমগদবা মীওইশিং পোলিটিক্সতা চঙহন্নিংই। অসিগুম্লবা মীওইশিংনা পোলিটিক্সতা চঙলক্লবদি শোয়দনা ইমা লৈবাক মণিপুর চাওখৎপা ঙমগনি। মরম অদুনা মীয়াম্নসু অসিগুম্বা ৱাখল্লোল চেনবা মীওইশিংদা তুংগী মীরোল ইচা-ইশুশিংগী খল্লগা ভোট থাদবিয়ু হায়বা ৱাফম থমজরি।